# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 15-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্ববগী থবক চত্থবদা য়ান্নবা খ্ৎশু খুৎলায় অমদি নিশাগী পোৎলমশিং ফাগৎলে।

২) লৈবাক অসিগী ত্রাইবেলশিংবু চাওখৎহন্নবা পায়খৎলিবা খ্বাইদগী চাউবা কেম্পেন ধরতি অভা জন জাতিয়া গ্রাম উৎকরস অভিয়ান ঙসিদগী লৈবাক শিনবা থুংবদা হৌরগনি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ মঙানিগী সাইপ্রস, কেনাডা অমসুং ক্রোয়েসিয়াগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

------

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা হৌখিবা থাংজ অমসুং ইরাইগী লোন্নবা অহিংদা য়ান্নবা খুৎলায়শিং তম্পাক্কী জিলা মঙাদগী ফাগৎখ্রবা মতুং ঙরাংসু থিবা হুন্ববগী থবক চত্থবদা মখা তানা খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমলে।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- ককচিং জিলাগী ৱাংঙু পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা চাইরেল খুনৌ চীংয়াদা থিবা হুন্ববগী থবক চত্থবদা মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম করবাইন অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট টু টু রাইফল অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী এল.এম.জিগী বেরেল অমসুং মেগজিন অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু কয়া, পোকখায়বা য়াবা মচাক আই.দি.এল মরি, দিটোনেটর

মরি, আই.ই.দি কিলোগ্রাম মরি, গ্রেনেদ অমা, ট্যুব লোঞ্চর অনি, তিয়ার স্মোক সেল মঙা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

থৌবাল জিলাগী খোংজোম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা তেন্থা শামুশঙ এরিয়াদগীসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর অমা অমসুং কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা থায়োং চীংয়াং চংগ্রান চীং মখা লাইকোৎ কোম খুলদগী তুয়েল্ব বোর বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা, পেরা বোম অমা, হেন্দগ্রেনেদ অমা, পোম্পী বোম অমা, তিয়ার স্মোক সেল অমসুং রবর বুল্লেট কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

পুলিসকী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবী মখা লৈকাইদগী প্রিপাক (প্রো)গী এক্তিভ কাদর অমা ফারে। অতোপ্পা থৌদোক অমদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা সিতা মোটোর ভেহিকলস চ্যেক পোষ্টতা চেলেপরোমদগী তেংনৌপল তমা লাকপা কার অমদগী কানি কিলোগ্রাম মরি হেন্না ফাগৎপা ঙমলে। গাড়ি অদুদা তোংলকপা মীওই মরিসু পুলিসনা ফাগৎলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী লিলোং তুরেল অহনবীদা লৈবা মীওই অমদগী হিরোইন ব্রাউনসুগর গ্রাম ৪১ সুবা ফাগৎলে হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

মরক অসিদা জিরিবাম জিলাগী সৈজাং খুলদা আইন কায়না শাজিল্লম্বা বঙ্কর অহুমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা থুগাইখ্রে হায়রি।

ৱেদর (এল) ঃ রাজ্য অসিদা শাবগী চাং হেনগৎলকপদগী মীয়ামা অৱাবা মায়োকরে। দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- নোনে জিলাদা ঙরাং শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৮ ওইখি। ইম্ফাল ইষ্টতা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৫ গী চাংদা শাখি। বিষ্ণুপুর জিলাদা

সেলসিয়স দিগ্রি ৩৬.৪৩, ককচিংদা ৩৪.৩৫, কাংপোকপীদা ৩৫.৬৩, সেনাপতি সেলসিয়স দিগ্রি ৩২.১৮ গী চাংদা শাখি।

শাবগী চাং হেনগৎলকপা অসিনা অকোইবদা লৈরিবা জিবশিংদা নত্তনা মীওইবগী হকচাংদসু খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। শাবগী চাং ৱাংখৎলকপগা মরী লৈনবা হিট ষ্ট্রোক, খোঙ খুৎ পোমখৎপা, হকচাং চোকথবা অমসুং উনশাগী লায়নাশিং শন্দোরকপগী চাং হেনগৎলক্লি। মসিদগী ঙাকথোকবা মীয়ামা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংগী মনুংদা ঈশিং তোইনা থকপা, হৈরা-মনা মশিং মরাং কায়না চাবা, মরুওইনা পীক্লিবা অঙাংশিং অমদি মীরোনবীশিংনা য়ারিবা মখৈ নুংশাদা থোক্তনবা য়াওরি।

চান্দেল (এল) ঃ মোয়োন কেথোক্লিক ওর্গনাইজেসন লিংখৎখিবগী ৩৪ সুবা ফাউন্দেসন ডে ঙরাং চান্দেল জিলাগী তুংফেদা লৈবা ওর্গনাইজেসন অসিগী হেদ ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা নৌনা শারবা ওফিস বিল্ডিংসু শঙ্গাখি।

অভিয়ান(এল) ঃ লৈবাক অসিগী ত্রাইবেল মীয়াম্পু চাওখৎহন্নবগীদমক পায়খৎলিবা খ্বাইদগী চাউবা কেম্পেন ওইরিবা ধরতি অভা জন জাতিয়া গ্রাম উৎকরস অভিয়ান ঙসিদগী লৈবাক শিনবা থুংবদা হৌরগনি। কেম্পেন অসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু পাঙথোক্কনি।

অদুমওইনমক, কাংপোকপী জিলাগী ওইনদি কেম্পেন অসি হয়েংদগী হৌগনি হায়রি।

মাদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ মঙানিগী সাইপ্রস, কেনাডা অমসুং ক্রোয়েসিয়াগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

শ্রী মোদিগী অহানবা খোঙচৎ সাইপ্রসতা থুংগনি। লৈবাক অদুগী রাষ্ট্রপতি নিকোস ক্রিষ্টোদৌলাইটসনা বার্তন তৌরকপদগী শ্রী মোদি লৈবাক অদুদা চৎকদবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসি চহি ২০ গী তুংদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা

সাইপ্রসতা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি।  শ্রী মোদিনা রাষ্ট্রপতি নিকোসকা তোঙান তোঙানবা হিরমদা ৱারী শান্নগনি অমসুং লল্লোন ঈতিক্কী লুচিংবশিংদসু ৱা ঙাংগনি।

হয়েংনা শ্রী মোদি কানাডাগী কনানাস্কিসতা থুংগনি অমসুং জি-সভেনগী অৱাংবা থাক্কী মীফমদা শরুক য়াগনি। প্রধান মন্ত্রিনা জি-সভেনগী অৱাংবা থাক্কী মীফমদা থংনা থংননা শরুক য়াবা অসি হন্দক্কী অসিনা ৬ লক শুবনি। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা জি-সভেন লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগা লোয়ননা মখোয় মখোয়গী মোত ফোংদোকগনি।

মহাক্কী খোঙচৎকী অরোইবদা থা অসিগী ১৮ দা শ্রী মোদিনা ক্রোয়েসিয়াদা চৎকনি। মসি ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা ক্রোয়েসিয়াদা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি।

নক্সলাইট ঃ মধ্য প্রদেশতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চত্থবা ওপরেসন অমদা নুপী অহুম য়াওনা নক্সলাইট মরি হাৎখ্রে। বালাঘাৎকী এস.পি. অদিত্যা মিশ্রানা হায়- থৌদোক অদু বালাঘাৎ জিলাগী পচামা দাদর রেঞ্জদা লৈবা উমং অমদা থোকখিবনি। নক্সলাইটশিং মফম অদুদা  লৈরে হায়বগী অককবা পাউ ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সন চংশিন্দুনা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবা নোংমৈ কাপখিবনি। মদুদা নক্সলাইট মরি অদু শিখিবনি। তুংদা পুলিসনা মীওই মরি অদুগী অশিবা অমদি য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া মফম অদুদা লৌখৎখ্রে।

ধরমেন্দ্র ঃ কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না হায়রি- মালেম অসিনা ঙসিদি ভারত্তা মখোয়গী পন্থুংফম অমা ওইনা য়েংবগী মথক্তা গ্যান লৌশিংগী ওইবা মপাং অমা ওইনসু য়েংলি। মহারাষ্ট্রকী মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা মপান লৈবাক মঙাগী লেট্টর ওফ ইন্টেন্ট পীবগী থৌরমদা মন্ত্রিনা থৌরম অদুবু ভিক্সিত ভারতকী শিংথানিঙাই ওইরবা খোঙথাং অমনি হায়বগা লোয়ননা শিক্ষানা লৈবাক অসিগী তুংদা লাক্কদৌরিবা মতমদা অশোই অঙাম থোকহন্দবা ঙমহল্লগনি।

মহাকা মখা তানা হায়- মতম কয়াদগী ইন্তরপ্রাইজ অমসুং গ্যান লৌশিংগী লমদা লমজিংবা অমা ওইরক্লিবা মহারাষ্ট্র অসি হৌজিক্তি মহৈ মশিং তম্বগী লমদসু লমজিংবা অমা ওইরগনি।

থৌরম অদুদা য়ুনাইতেদ কিংদমগী য়ুনিভর্সিতি ওফ অবরদিন, য়ুনিভর্সিতি ওফ য়োর্ক, ওষ্ট্রেলিয়াগী য়ুনিভর্সিতি ওফ ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়া, আমেরিকাগী ইল্লিনোইস টেগ অমসুং ইটলিগী আই.ই.দি স্কুল ওফ দিজাইনগী কেম্পসশিং মহারাষ্ট্রদা শেমগৎনবগী লেট্টর ওফ ইন্টেন্টশিং পীখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা খুৎলায় ফাগৎপা চাদা ৭৫ য়ৌরবসু ওথোরিতিনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদদি খুৎলায় ফাগৎপগী থবক মঙম শানদ্রিবা করিগীনো হায়বা পাউ অমসুং ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্ট মীকপ থোকপা মতম ওইরে, মণিপুর মরুওইবা তুরেলশিংগী কেটচমেন্ট এরিয়া লৈরিব্রা হায়বদু মীয়ামা খঙনিংলক্লে হায়বা পাউ অমসু নহারোলগী থৌদাংদা ফোংলি।

ইন্দিয়াদা কোভিদকী কেস লিশিং ৭,৪০০ য়ৌখ্রে, লৈখিদবা ৮৭ শুখ্রে, মণিপুরদা নৌনা মীওই অহুম পোজিতিভ ওইদুনা পুন্না মীওই ৮ শুখ্রে হায়বা পাউনা সনালৈবাক পাউচেকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

এয়ার ইন্দিয়া ক্রাসতা লৈখিদবা মীওইগী মশিং ২৭৪ শুরে, দি.এন.এ সেম্পল লৌদুনা মশক খঙদোকবা থবকশিং চত্থরি অমসুং হৌখিবা শগোলশেনদা নিউ কৈথেল মানবীদগী লুপা কোতি ২২ গী ওইগদবা ড্রগ অমসুং মসিবু পুরম্বা মীওই অমা ফারে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পাউচে অসিমক্কী মণিপুরী ইদিসনদা নৌনা শিবা ৬ থারগা অসামদা শাবদগী শিখিবা ১০ শুখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী ওইনা ভোলুন্তরি ব্লড দোনেসনগী চাং য়ামা নেল্লি হায়বা রিমসকী দিরেক্তরগী ৱাফম অমসুং সু কেম্পশিং হোংদোকহনবনা উংখৎনবা

হেনগৎহনগনি হায়বা সদর হিলস চীফ এসোসিয়েসনগী ৱাফমা পোকফমগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

রাজ্য অসিগী ওইনা কুমশি চহিগী নিট য়ুজি পরিক্ষা মকোক তারক্লবা এলভিন খুন্দ্রাকপমনা ডোক্তর ওইদুনা মীয়ামগী সেবা তৌগনি হায়বা পাউ অমসুং নেসনেল হাইৱে-১০২-এদা চথুরিবা লম্বী শেম্বগী থবক অসি উখ্রুল-তোলোই-তদুবী রোড পরিংদা লৈবা খুঞ্জাশিংনা পেন্দবা ফোংদোকরক্লি হায়বা পাউ অসিনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোলে।

জ্ন ১৩ অমসুং ১৪ গী লোন্নবা অহিংদা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মঙাদগী নোংমৈ ৩২৮, মরু অমসুং বোমশিং রিকোভর তৌরে হায়বা পুলিসকী ৱাফম অমসুং হোম মিনিষ্ট্রিগী নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা মীতোপ খন্দোক্কনি হায়খ্রবসু থবক্তা ওন্থোক্ক্রে হায়বা মুতুম চুরামনিগী ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------